# HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




মে ২দা ন্যু দেল্লীগী ইন্দিয়া হেবিটেটতা পাঙথোকপা দবল হেলিকেল হেল্থ কনক্লেভতা শিজ হোস্পিটালগী সী এম দি ডা. পালিনদা নেসনল হেল্থ এৱার্দ খূৎশিন্নরকখিবা


হোম কমিং সেরেমোনি শওম্বুংদা পাঙথোক্কদৌরি
☛ লামায় ২

মীতৈ ফুরুপ্পু খুঞ্জাও লৈচাওনবা হোৎনগদবনি ঃ পন্থৌ
☛ লামায় ৩

হাঙদুনা লৈরিবা এস সী ঈ আর টিগী দিরেক্টর পোষ্ট অথুবদা হাপ্পীয়ু : দেসাম
☛ লামায় ৬

উনাকোটি দিষ্ট্রিক্টতগী রোহিংজা মুস্লিম ২৪ বি এস এফনা ফারে
☛ লামায় ৭


নালসাগী মখাদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা মে ১৪দা পাঙথোক্কদবা নেসনল লোক অদালটকী পোষ্টর কেম্পেন দি এল এস এ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেরমেন অমসুং সেক্রেটরিনা হৌদোকখিবা




Vol. 46, Issue No. 039 | শগোলশেন, কালেনগী মরিনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, May 05, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


# হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা এম এল এ ২৩গী মথক্তা খন্নবা লৌখৎলকপা ইলেক্সন পিটিসন পূন্না ২৫ শুরে



টি ঐচ শ্যামকুমার



টি ঐচ অরুনকুমার

**ঙরাং লিষ্ট তৌখিবা ইলেক্সন পিটিসন ১১গী মনুংদা ১০ খন্নবা হৌরগা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে**

**এম এল এ শ্যামকুমার ১সুং অরুনকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন ২/২ শুরে**

**ঙসি এম এল এ, কে ঐচ লোকেন, টি ঐচ রাধেশ্যাম, ঙুরসাংলুর, য়ু দেবেন, শ্যামকুমার ১সুং অরুনকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা পিটিসনশিং খন্নবা লিষ্ট তৌরে**

**এম এল এ, এস এস ওলিসকী মথক্তা ফাইল তৌরকপা পিটিসননা নোমিনেসন পেপরদা মচানুপী ১ লৈরবসু পন্দে অমসুং পান কার্দ ২ থোক্লা পায়রম্মী হায়না চার্জ তৌরি**

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) : হন্দক্তা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনগী রিজল্ট জন্যুৱারী ১০, ২০২২দা লাউথোকখ্রবা মতুংদা অপূনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী মনুংদা এম এল এ ২৩গী মথক্তা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা মখোয়গা লম্বা তৌনখিবা কেন্দিদেটশিংনা এপ্রিল ৩০, ২০২২ ফাওবদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন ২৩ শুখ্রবসু এম এল এ ২৩ অসিগী মনুংদা য়াওরিবা অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমার অমসুং ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারগী মথক্তদি অনৌবা ইলেক্সন পিটিসন অমমমসু ফাইল তৌরকখিবগা লোয়নননা ইলেক্সন পিটিসন মায়োক্লরবা এম এল এ ২৩গী মনুংদা এম এল এ ২ অসিগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন ২/২শুখ্রে।

মীখলগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুংদা ফাইল তৌনরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনশিংগী মনুংদগী ইলেক্সন পিটিসন ২৩গী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর মমাঙ থাগী ৩০ ফাওবদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবগা লোয়নননা নুমিৎ অসি ফাওবদা অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০২২দগী ২৩ ওফ ২০২২ ফাওবা (পূন্না ইলেক্সন পিটিসন ২৩) শুখ্রবনি।

অদুম ওইনমক ৱাংখৈ এ সীগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমার অমসুং অতোপ্পা মীওই অনীগী মথক্তা মীখল অদুদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা য়ূমখাম ইরাবোতকী মায়কৈদগী ইলেক্সন পিটিসন অমগসু ফাইল তৌরকপনা এম এল এ অসিনা হৌজিক ফাওবদা হায় কোর্টতা মায়োক্লবা ইলেক্সন পিটিসন অনী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল

# ঈ ওগী মথক্তা ভিজিলেন্সতা অমুক্কসু ৱাকৎ চে পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এগজিক্যুটিভ ওফিসর থোঙাম সনাহলগী মথক্তা মথৌ তাবা লিগেল এক্সনশিং মখা তানা লৌখৎপীয়ু হায়বগী অইবা চেরোল অমা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী হান্নগী চ্যেরপর্সন লোংজম ববিতানা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টকী এস পিদা পীশিনখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না অইবা চেরোল অদু থা অসিগী ২দা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী হান্নগী চ্যেরপর্সন লোংজম ববিতানা খূৎয়েক




পীদুনা পীশিনখিবনি হায়রি। অদুগা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টকী এস পিদা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুগী কোপি অমসু লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টরদা পীশিনখি হায়রি।

চেরোল অদুনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইরক্লিবা থোঙাম সনাহলগী মথক্তা লোংজম ববিতানা অইবা কমপ্লেন্ট অমা কুমজা ২০১৯গী জুলাই ১৭তা চীফ মিনিষ্টরদা ফাইল তৌখি। ৱাকৎ চেরোল অদুনা ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা সিরিয়স ওইবা মিসকন্দক্ট, করপ্ট প্রেক্টিস অমসুং মাল এদমিনিষ্ট্রেসনগী থবক থৌওংশিং চত্থরে হায়না এগজিক্যুটিভ ওফিসর অসিগী মথক্তা মরাল শীরদুনা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা লোগী থবকশিং লৌখৎপীনবা হায়জখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুগী মতুংইন্না ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টনা কেস নম্বর ৩৪/ভিজিলেন্স/এস পি-ভি এন্দ এ সী/২০১৯ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

অদুম ওইনমক কেস অদুগা মরী লৈনবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## তুরেলদা হকচাং তাওথরক্লে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল পুং ৩ রোম তারকপদা ইরিলবুং পি এসকী ক্যামগৈ থোংখোঙদা অশিবা নুপা অমগী হকচাং তাওথরক্লগা পন্দুনা লৈরম্বদগী পুলিসনা ফায়র সর্ভিসকী মতেং লৌরগা ক্যামগৈ ময়ায় লৈকায় মপাদগী লৌখৎখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং মথা খঙবা ঙমদ্রি অমসুং পুমথবা হৌরক্লে। মহাক মেরুন কলরগা হিগোগকা পূন্না লাংবা ফুরিৎ অমা লিৎলম্মী। অশংবা মচুগী খোঙ্গ্রাও অমা শেৎলম্মী, অমুবা মচুগী খোঙউপ তোংলম্মী, য়েৎ থংবা নারুমদা রেদ রোজ হায়না থারম্মী। হকচাং অদু ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংনা য়েংশিল্লবা মতুং মমিং মথা খঙদোক্লগা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌনবগীদমক জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**HL Poll**

Q: Custodial torture/death ki thoudok thorakpana Police-Public relationda akaiba oirakkani haibada aranba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: Suti numit khudinggi Covid Vaccine kapthokpagi chang yamna nemlibasi achumba thousil oiroi haibada langadra?

Yes 50% No 50%

**অস! লোইরেহে!**

- পোৎ মচা মশু হুরানবা ঐখোয়দি ফাহনবা য়াদে।



- অচুম্বনি ইতাও, ঐখোয়দি জেলদা হেক্তা চঙগনি।

# চীংদা এম এল আর ১সুং এল আর এক্ট ১৯৬০ চৎনদে ঃ অটসুম

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেন্দ রিভেন্যু অমসুং লেন্দ রিফোর্মস এক্ট, ১৯৬০ অমসুং মসিগী রুলস, ১৯৬১ অসি এম এল আর অমসুং এল আর এক্ট, ১৯৬০গী সেক্সন-২না পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না মণিপুরগী চীংগী এরিয়াশিংদা চৎনদে। মরম অদুনা ঙসিদগীনা চহী ১৪ রোমগী মমাঙ ওগষ্ট ২৬, ২০০৮দা মতম অদুগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (রিভেন্যু) না মণিপুরগী চীংগী এরিয়াশিংদা লৈবা খুলশিংগী মতাংদা থোকখিবা ওর্দর অদু মহাক্না থোকপা ঙম্বগী ওথোরিটি লৈতে হায়না অটসুমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অটসুম) না গভর্ণর লা গনেসন য়াওনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেনদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

মেমোরেন্দম অদুদা অটসুমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেনননা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকেল ৩৭১ সীনা পীরিবা অখন্নবা প্রোভিজনশিং অসি ঙাক শেন্দুনা থমগদবনি অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ওগষ্ট ২৬, ২০০৮ অমদি এপ্রিল ২৬, ২০২২দা থোকখিবা চেরোলশিং অদু রিভোক তৌবগা লোয়নননা শেমদোক শাদোল্লগা অদুঙৈ কুমজা ১৯৭২গী জুন ২০দা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ভি ভি গিরিনা পীরম্বা ওর্দর অদুসু ঙাক্লা চৎনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

মণিপুরগী চীংগী মফমশিংদা লৈরিবা ত্রাইবেল পোপ্যুলেসনগী মীওই লাখ ১২ রোমগী মহুৎ শিল্লিবা ত্রাইবেল বোদি অসিনা মেমোরেন্দম অসি পীশিনখিবগা লোয়নননা হিল এরিয়াজ কম্মিটি অসি চীংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লবা শেম্বা কম্মিটিনি। মরম অসিনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওগষ্ট ২৬, ২০০৮ অমসুং এপ্রিল ২৬, ২০২২গী চীংগী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈনবা ওর্দরশিং থোকখ্রিবা অদু ওফিসলশিং অদুনা পাঙথোকপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী ৱাংমদনি অমসুং হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী অয়াবা য়াওদনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দমশিংনি হায়রি।

অটসুমগী প্রসিদেন্ট পাওতিন্থাং লুফেং অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি এস আর অন্দ্রিয়ানা খূৎয়েক পীদুনা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুনা হিল এরিয়াজ কম্মিটি অসি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকেল ৩৭১ সীগী মখাদা লিংখৎপনি হায়রদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ত্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টনা এপ্রিল ২৬, ২০২২দা থোকখিবা ওর্দর অদু থোকপগী মপাঙ্গল লৈতে হায়রি। মরম অসিনা চীংগী খুলশিংবু রিকগনিসনগা মরী লৈননা ওগষ্ট ২৬, ২০০৮কী ওর্দর অমসুং রুলস (ভিলেজ রিকগনিসন রুলস ইন হিল এরিয়াজ এন্দ ভেল্লি) বু রিদ্রাফ্ট তৌনবা থোকখিবা ওর্দরশিং রিভোক তৌগদবনি হায়রি।

# ‘মীতৈগী ইনাৎ লাইনীং কনগে হায়রবদি ঐখোয় পূনশিন্নগদবনি’




ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) : মীতৈগী ইনাৎ লাইনীং কনগে হায়রবদি ঐখোয় পূনশিন্নগদবনি হায়না ক্ষেত্রিগাও এ সীগী হান্নগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি ৱাংখৈ থম্বালখোংগী মীতৈ শঙলেনদা পাঙথোকখিবা ৭৭লক শুবা মীতৈ মরুপকী মপোক কুমওন থৌরমদা এক্স এম এল এনা অথোইবা মীথুংলেন ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## নীট (য়ু জি) ২০২২দগী খল্লগনি

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) : একাদেমিক সেসন ২০২২-২৩গী ওইনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংদা বি ভি এস সী এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রিগী দিগ্রী কোর্সতা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী নোমিনি ওইনা তমগদবা মহৈরোয়শিং অদু লাক্লিবা জুলাই ১৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা নীট (য়ু জি-২০২২) দা শরুক য়াবা কেন্দিদেটশিংগী মরক্তগী খল্লগনি হায়রি। ৱাফম অসি ভেটি এন্দ এ ঐচ সর্ভিসেসকী দিরেক্টরনা থোরকপা চেরোলগী মতুংইন্ননি। নীট (য়ু জি-২০২২) অসি মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনগী নেসনল টেষ্টিং এজেন্সীনা পাঙথোক্কদবনি।

# কানি কিলো ৩গা কোন্ননা ফাখিবা মীওই চহী ১০গী ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) : ঙসিদগীনা চহী ৭ লোমগী মমাঙ ওক্টোবর ৩১, ২০১৫গী নুংথিলদা নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এন এ বি) পি এসকী টিম অমনা মোইরাং ওকসোংবুং লাইরেঞ্জম লৈরক মচিনগী মফম অমদগী বজাজ দিস্কোভর এম এন-০২/এ-৪২৮০ তোংলগা পুদুনা লাকখিবা কানি কিলোগ্রাম ৩গা কোন্ননা ফাবদগী কোর্টনা ৱায়েল চত্থরবা মতুংদা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা মরাল লৈরে হায়দুনা ফাদোক পীখ্রবা চুড়াচান্দপুরগী পি কামদৌ ভেঙদগী থাঙ্খনহাও জৌ (৫৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা টুটজাথাং জৌবু কোর্টনা চহী ১০ ফাদোক পীখিবগা লোয়নননা লুপা লাখ ১গী শেনফমসু ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখ্রে।

ঙসি স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস), বিষ্ণুপুর দল্লিয়ু তোনেন মৈতৈগী কোর্টতা পাঙথোকখিবা মহাক্কী সেন্টেন্স হিয়ারিংদা মহাকপু চহী ১০গী ফাদোক পীখিবনি। ফাইনগী শেনফম অসিনা ঙসিদগী পারগা চহী ৫গী মনুংদা পীগদবনি অদুবু করিগুম্বা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ফাইনগী শেনফম অসি পীদ্রবদি মহাক্কী চহী ১০গী ফাদোক্কী মতম অসি অতোপ্পা থা ৬ অমগা শাংদোক্কনি হায়নসু ঙসিগী কোর্টকী ওর্দর ওন সেন্টেন্সনা খঙহনখি।

# সনা শুবা ননাও মীশিগা মরী লৈননা পুলিসকী সব ইন্সপেক্টর অমা সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) : শগোলবন্দ কাঙবম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা অরাম্বম ধনঞ্জয়গী মচানুপা ননাও (৩৭) পুলিস কষ্টদিগী মনুংদা লৈরিঙৈদা লৈখিদবগা মরী লৈননা লৌখৎলকপা দিপার্টমেন্টেল প্রোসিদিংগী মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টি ঐচ জিতেন্দ্রো কৌবা সব ইন্সপেক্টর অমা সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

মসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এস পি কে এস ঐচ সিবকান্তনা থা অসিগী ২দা ওর্দর অমা থোকখ্রে। মহাক্কী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না সব ইন্সপেক্টর অসিনা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা অহকপা মিস কন্দক্টকী থৌওং চত্থখিবগীদমক অসাম পুলিস ম্যেন্যুএল পার্ট ৩গী রুল ৬৬কী মখাদা মহাকপু খুদক্তগী সস্পেন্দ তৌখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা অরাম্বম ননাও মীশিগী মতাংদা য়ুথস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস (ৱাই এফ পি ঐচ আর) গী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ফজ তোনননা থোরকপা চেরোল অমদা অকনবা মওংদা পুলিসকী থৌওংবু কন্দেম তৌরক্লি। লৈখিদ্রবা ননাও পুলিসনা ৱারেন্ট অমত্তা য়াওদনা ময়ুমদগী ফাদুনা পুখিবনি। অদুগা তমথীনা ওৎ নৈদুনা হাৎখিবনি হায়রি। অসিগুম্বা পুলিসনা মখোয়দা পীরিবা পৱার লান্না শীজিন্নবগী থৌওং অসি মীয়াম্না য়াফম থোক্তে হায়রি।

অসিগুম্বা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেট তৌবগী থৌওং চত্থরক্লিবা অসি নিংথিজনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবগা লোয়নননা ননাও লৈখিদবদা চেন্নবা মরী লৈনবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপগা লোয়নননা ননাওবু ফাহন্নবা ইনশিনখিবা মীওইশিংসু লোগী মতুংইন্না পীফম থোকপা চৈরাক পীগদবনি হায়রি।

মরম অসিনা হোম দিপার্টমেন্টনা চেন্নবা পুলিস পর্সনেলশিং থবক্তগী লৌথোকপীয়ু হায়রি।

# চহী ২ মখায় খক্তা ঙাইরিবা মচানুপা হাৎলগা মশাসু শিজনবা হোৎনরক্লে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) : তাবদা নুংঙাইতবা অমসুং তমথীরবা থৌওং অমসু ওইবা থৌদোক অমদা চহী ২ মখায় খক্তা ঙাইরিবা নুপামচা অমা মহাক্কী অপোকপা মপানা থাঙনা থিন্দুনা হাৎলবা মতুংদা মশাসু শিজনবা হোৎনরম্বদগী রিমসতা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

অপোকপা মপাগী মখূৎতা লৈখিদ্রবা নুপামচা অদুগী মমিং লৈতোংবম লমঙানবা কৌই। মহাকপু থাঙনা থিন্দুনা হাৎলিবা মপা অদুগী মমিংনা সোমেন্দ্রো এলিয়জ মোতি (২৭) কৌই। লাইরেনকাবী মনিং লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

থৌদোক অসি থা অসিগী ২গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। অদুগা অঙাং অসিনা ঙরাং অয়ূক পুং ৭ লোম তারকপদা রিমসতা লৈখিদবনি।

থৌদোক থোক্লিঙৈগী মমাঙদা সোমেন্দ্রো অমদি মহাক্কী লোয়নবী পুস্পগগী মরক্তা খৎনবা-চৈনখিবা থৌদোক অমসু থোকখি। মদুগী মতুং তারকপদা সোমেন্দ্রোনা পীক্লিবা মচানুপাবু থাঙনা থিনবদগী শোক্তুনা রিমসতা পুখৎলগা লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি। লোয়নননা মহাক মশামকসু শিজনবা হোৎনরম্বনি। থৌদোকসিগী মতাংদা লমশাং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

# অনৌবা থেংনবা পোজিটিভ কেস তপ্না-তপ্না হেনগৎলক্লে

**মীওই অমত্তা শিখিদে, এক্টিভ কেসকী মশীং ৭ খক্তা ঙাইরে, রিমস ১সুং জেনিমসতা কোভিদ পেসেন্ট অমত্তা লৈত্রে**

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাগী ২৯, ৩০দা থংন-থংননা নুমিৎ নীনি অনৌবা পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনখিদবগা লোয়নননা থা অসিগী অহানবা নুমিৎ মে ১দসু অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং থেংনরুদ্রবা মতুং থা অসিগী ২দা অনৌবা কেস অমা থেংনবগা লোয়নননা থা অসিগী ৩দসু পোজিটিভ কেস অমা থেংনখ্রবা মতুং হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদদি অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস অনী থেংনরে হায়না ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি।

নৌনা থেংনবা পোজিটিভ কেস অনী অদুগী মনুংদা অমনা নুপানি অদুগা অমনা নুপীনি হায়রি। মখোয় অনী ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগীনি। অদুম ওইনমক মখোয়গীদমক মেদিকেলগী মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবগী মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অমত্তগী পুন্সি মাঙখিদে। মরম অসিনা হান্নদগী লৈরকপা লায়না অসিনা শিহনখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২১২০ অদুদা অদুমক লেঙদনা লৈরি হায়রি।

লোয়নননা ঙসিগী ওইনা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকখিবা মীওই অনী নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি। মরম অসিনা ঙসি ফাওবগী ওইনা লৈখিবা এক্টিভ কেসকী মশীং মীচম মীয়ামশিংগী মনুংদগী ৭ খক্তা ঙাইবগা লোয়নননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৪৫গী চাংদা লৈরে হায়রি।

ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ১২৯ অমসুং বি টাইপ ১২নি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কোভিদ পোজিটিভ কেস অনী থেংনখ্রবসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী জেনিমস অমসুং রিমসতা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক অখন্ননা থৌরাং তৌদুনা থম্লক্লিবা ফমুং ৩০০ অমসুং ১৯০দদি কোভিদ পেসেন্ট অমত্তা লৈত্রে হায়রি।

অদুগা ঙরাং খক্তদা মীওই ২৬৭ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২৮,৪৮,৬০৪ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৫,৫৭,৬২৬নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২,০৬,৪০৭নি হায়রি।

মসিগী মথক্তা প্রিকোস্নরি দোজ কাপথোক্লবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৮৪,৫৭১ শুরে হায়রি। অদুবু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নৌনা থেংনখিবা কোভিদ পোজিটিভ কেস অনী অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কেস মশীং ১,৩৭,২২৪ শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১,৩২,২১০নি অদুগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০১৪নি। অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,৩৫,০৯৭নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী মীওই ১,৩০,০৯০নি অদুগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০০৭নি হায়রি।

মীওই অনীখক্তমক পোজিটিভ ওইরবসু পোজিটিভিটিগী চাং চাদা ১.৮ য়ৌখি। মরমদি হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী টেষ্ট তৌখিবা সেম্পলশিংদি বিষ্ণুপুর ৪, চান্দেল ৪, চুড়াচান্দপুর ১৭, ইম্ফাল ইষ্ট ১৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৪২, ককচীং ৬, কাংপোকপী ১, সেনাপতি ৫, তেংনৌপল ১, থৌবাল ৭ অমসুং উখ্রুলগী সেম্পল ১০ য়াওরগা অপূনবা সেম্পল ১১২ টেষ্ট তৌখিবনি।

# নুপী ষ্টাফশিংদা কা হেনবা থৌওং চত্থখিবশিং লোগী এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) : মমাং থাগী ৩০ দা থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন দিবলপমেন্ট সেন্টর (আই দব্লিয়ু সী দি সী) না ইমপ্লিমেন্ট তৌবা শাইন ইন্টিগ্রেটেদ রিহেবিলিটেসন সেন্টর ফোর এদিক্টস (আই আর সী এ) দা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা চাইল্ড লাইন ইম্ফাল ৱেষ্ট, শাইন (আই আর সী এ); আই দব্লিয়ু সী দি সী অমসুং ওর্গনাইজেসন অসিগী ফঙ্কসনরিশিং অমসুং নুপী ষ্টাফশিংদা ফিজিকেল এটেক চত্থবদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা লৈঙাক্লা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবা তকশিল্লক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম ...মখা লামায় ৩ কলম ৭


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫